
# ইম্ফাল ইষ্টনা কে ভি এফ এ থোইরগা অহানবা মায়পাকখ্রে এফসি ইম্ফালনা মুসা থোইরগা পোইন্ট ৯ শুখ্রে






*কে ভি এফ এ খুরাই অমদি আই ঈ ভি এফ এ সলাঙ্থোংনা শান্নখিবা গ্রুপ– বি গী মেটচকী মতাং অমা*

*ইম্ফাল, মে ৪ঃ* ইম্ফাল ইষ্ট ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন (আই ই ভি এফ এ) সলাঙ্থোংনা খুরাই ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন (কে ভি এফ এ) বু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীরগা টিম অসিগী অহানবা মেটচ মায় পাকপা ঙমখ্রে।

এফ সি ইম্ফালনা মুসা ইম্ফালবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীরগা অহুমশুবা মায় পাকপা ওইখিবগা লোয়ননা পোইন্ট ৯ ফংদুনা গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে।

মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা ১৬শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা আই ই ভি এফ এ অমদি কে ভি এফ এনা শান্নখিবা গ্রুপ বি গী মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী শরুক্তা টিম অনিমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্লখিদ্রবসু অনিশুবা হাল্ফকী ৩৩ শুবা মিনিটতা আই ই ভি এফ এ গী নোবেলসননা কে রঞ্জনগী পাসতা চন্দুনা মায় পাকপগী গোল ওইখি।

কে ভি এফ এনা মেটচ অহুম শান্নখিবদা অমত্তা মায় পাকপা ঙমদনা লৈরি।


অনিশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ অসিগী মেটচ ওইনা এফ সি ইম্ফাল অমদি মুসানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১৫শুবা মিনিটতা এফ সি ইম্ফালগী এম নিংথৌরেম্বনা টিঐচ কৃষ্ণ সিংহগী অতেনবা পাসতা অহানবা গোল চনখি। গোল অদু অহুন্নক এটেম্পত তৌরবা মতুংদা চনখিবনি। অহানবা অমদি অনিশুবা এটেম্পনা ভদ্র অমদি য়ু লোকেনবাবুনা তৌখিবদা মুসাগী গোল কিপর রবিদগী থক্তোকরকপা বোলগী খুদোংচাবা লৌদুনা গোল চনবা ঙমহৌখিদবনি।

এফ সি ইম্ফালগী মায় পাকপগী গোল অদুনা ২৭শুবা মিনিটতা টিঐচ কৃষ্ণ সিংহগী পাসতা গাইফুলুংনা চনখিবনি। এফ সি ইম্ফালগী টি জয় সিংহদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

অনিশুবা হাল্ফকী শরুক্তা মুসানা মমাংগী হাল্ফতা শোত্থনা লৈরিবা গোল অনি অদু হন্দোক্লনবা হোৎনরবসু গোল অমত্তা হন্দোকপদি ঙমখিদে। টিম অসিনা মেটচ ৪ শান্নবা লোয়খিবা ফাওবদা অমা মায় পাক্লগা অমা দ্রো ওইদুনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা লৈরি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা গ্রুপ বি গী সদর হিলস কাংপোকপীগা ফ্লাম বাবুপারাগা অমদি অনিশুবা মেটচতা গ্রুপ এ গী ভি এস এ আই থাংমৈবন্দগা টি ঈ এ য়াইরিপোক্কা শান্নগনি।

# সাইক্লোননা ত্রাউ ৱিকেট ৫ দা থোইরগা সেমি চংখ্রে




*ইম্ফাল, মে ৪ঃ* লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম, লুৱাংশংবমদা চথরিবা ব্রজবিহারি অমদি গোবিন পোল মেমোরিয়েল ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা ইলিমিনেটরগী মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ত্রাউ ক্বাকৈথেলবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

মণিপুর ক্রিকেট এসোসি–য়েসনগী মীৎয়েং মখাদা চেম্প খাগেম্পলিনা শিন্দুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩২শুবা ওইনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা সাইক্লোন্না টোস ঙম্লগা হান্না বোল্লিং খনখি। ত্রাউনা অহানবা ইন্নিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা অপিবা ওভর ৩৫ দা ওল আউট ওইরগা রন ১৪১ লৌখি। ইন্নিংস অদুদা প্রিয়োজিৎনা বোল ৯৯ দা রন ৭০, ধোম্বনা বোল ৬১ দা রন ৪০ অমদি জোতিসনা বোল ১২ দা রন ১৫ লৌখি।

সাইক্লোনগী বোল্লর হোমেন্দ্রোনা ৱিকেট ৪ অমদি রাজেসনা ৱিকেট ২ লৌখি। সাইক্লোননা ২শুবা ইন্নিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা টার্গেট রন ১৪২ অদু ওভর ৩৩. ৫ দা ৱিকেট ৫ তুরগা লৌদুনা মায় পাকখিবনি। ইন্নিংস অদুদা নরসিংনা বোল ৪৮ দা রন ৪২, জিম্পুনা বোল ৬০ দা রন ৩০, অক্সাইকুমারনা বোল ২৫ দা রন ২৬ (নোটআউট) অমদি ভিটেশ্বরনা বোল ২৭ তা রন ২০ লৌখি। ত্রাউগী বোল্লর প্রিয়োজিৎনা ৱিকেট ২, সরোজ অমদি বোবিননা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেন ওফ দি মেটচনা সাইক্লোনগী বোল্লর হোমেন্দ্রোনা ৱিকেট ৪ লৌদুনা তাখি।

অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ থাসিগী ৬ তা সাইক্লোনগা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগা শান্নগনি।


# ময়াংলাংজিং ৭ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

*ইম্ফাল, মে ৪ঃ* টনিং দিভলপমেন্ট ক্লব ময়াংলাংজিংনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ১১শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লিগ মেটচশিংদা টেন ষ্টার ফৈদিংগা, খাবম লমখায় অমদি টি দি সি (এ) ময়াং লাংজিং মায় পাকখ্রে।

অয়ুক্তা শান্নখিবা মেটচতা টেনষ্টার ফৈদিংগানা এল পি ৱাই সি লম্বালবু গোল ৭–১ দা মায়থিবা পীখি। টেন ষ্টারগী গোলশিং অদু রাকেশ অমদি দয়ানা ২ / ২, নাওতোন অমদি রাজেন্দ্রো অমমম চনখিবগা লোয়ননা এল পি ৱাই সি গী কোম্পাক্লা আউন গোলদা অমা চনখিবনি। এল পি ৱাই সি গী গোল অদুনা দয়ানন্দনা চনখিবনি।

নুংথিলগী অহানবা শান্নখিবা মেটচতা খাবম লমখায়না নাইন ষ্টার ময়াংলাংজিংবু গোল ৩–২ দা থোইখ্রে। খাবম লমখায়গী গোলশিং অদু তোনিনা ২ অমদি অবুংনা ১ চনখিবনি। নাইন ষ্টারগী গোল অনি অদুনা এম দদা অমদি বিশরুকনা চনখিবনি।

অনিশুবা শান্নখিবা মেটচতা টি দি সি (এ) ময়াংলাংজিংনা এল সি ৱাই সি লৈমখোংবু গোল ১১–০ দা চাউনা থোইখ্রে। টি দি সিগী গোলশিং অদু সৈতসেননা ৬, রেগাননা ৪ অমদি নিউটননা ১ চনখিবনি।




# পুরৈলোম্বা হেন্দবোল টুর্নামেন্টগী ৱিন্নর নুপা অমসুং নুপী অনিমক্তা মণিপুর পুলিসনা ওইখ্রে



*নুপা অমদি নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী শান্নরোইশিং*




*ইম্ফাল, মে ৪ঃ* মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা ৭শুবা পুরৈলোম্বা হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী নুপা অমদি নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রে।

মণিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা চজিং য়ুঠ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন লিলোং (সাইদোল) না শিন্দুনা হৌখিবা মার্চ ২৬ তগী নুপাগী টিম ৭ অমদি নুপীগী টিম ৫ না শরুক য়াদুনা চজিং হেন্দবোল গ্রাউন্দদা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসি মতম শাংনা লেপ্পুরবা মতুংদা ঙসি ফাইনেল মেটচ শান্নদুনা লোয়শিনখ্রে।

নুপীগী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা সাইদোলবু গোল ২১–১৭ তা মায়থিবা পীরগা ৱিন্নর অমসুং রন্নরস অপ ওইখি। মণিপুর পুলিসকী গোলশিং অদু এন সুনিবালানা ১২, সি ঐচ লক্ষ্মী অমদি ও সন্ধিয়ারানিনা ৪ / ৪ অমদি এম দিম্পলনা ১ চনখি।

সাইদোলগী গোলশিং অদুনা ও অঞ্জলিনা ৭, এল জেনি অমদি এ বিজেন্তিনা ৩ / ৩, আই রোনিবালা অমদি এস রোমানা ২ / ২ চনখি।

নুপাগী শান্নগদবা ফাইনেল মেটচতা য়ুম্ভু ওইরিবা সাইদোলগী টিম থোক্লক্তবদগী মণিপুর পুলিসনা ৱার্ক ওভর ফংলগা ৱিন্নর ওইখি। নুপা অমদি নুপীগী বেষ্ট প্লেয়ারনা এম আর সি গী কেঐচ বুংচা অমসুং সাইদোলগী সলাম রোমানা তাখি।

নুপা অমদি নুপীগী টোপ স্কোররনা সাইদোলগী রতন অমসুং ও অঞ্জলিনা তাখি। নুপা অমদি নুপীগী বেষ্ট গোল কিপরনা থৌবাল কলেজগী কেঐচ ইঙোচা অমসুং সাইদোলগী নাওবীনা তাখি। নুপীগী বেষ্ট প্লেয়ার ওফ দি ফাইনেল মেটচনা মণিপুর পুলিসকী ও সন্ধ্যারানিনা তাখিবগা লোয়ননা খ্বাইদগী গোল চনবা শান্নরোইগী মনাসু মণিপুর পুলিসকী এন সুনিবালানা গোল ১২ চল্লগা তাখি।

টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা লংথবাল কেন্দ্রগী এম এল এ কে শ্যাম, ইম্ফাল হোস্পিতালগী চাইল্ড স্পেসিয়েলিষ্ট শ্যামকুমার লাইশ্রম, এল আই সি ককচিং ব্রাঞ্চকী দিভলপমেন্ট ওফিসার কেঐচ কৃষ্ণকান্ট সিংহ, সাইদোল ক্লবকী প্রসিদেন্ট ঐচ ইবোহল সিংহ, ক্লব অসিগী এদভাইজর বি জয় শর্ম্মা, থৌবালগী এ আই পি ইন্দ্রমনি সিংহ অমদি আই এফ সি দি গী সেক্সন ওফিসার আই রনবীর সিংহনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা মনা মথুমশিং য়েঙ্হোকখি।

## সাইপো অমদি রোবিন জ্বেলরি সেমি চংখ্রে

*ইম্ফাল, মে ৪ঃ* ফ্রেন্দস য়ুনিয়ন ক্লব, উয়ুম্পোক গ্রাউন্দদা চথরিবা মরিশুবা নিভসো কপ ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদা মায় পাক্তুনা সাইপো হৈককমপাল অমদি রোবিন জ্বেলরি পুংদোংবম সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সাইপোনা এস এস সি (এ) সেক্তাবু টাইবেক্তা গোল ৪–২ দা থোইরগা সেমি ফাইনেল চংখিবনি।

অপিবা মতমগী মনুংদা টিম অনিনা গোল অমমম চন্নদুনা মান্ননা লৈবদগী টাইব্রেক্লা মেটচ অদুগী লাইবক লেপখিবনি।

অনিশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা রোবিন জ্বেলরিনা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপমবু টাইব্রেক্তা গোল ৫–৩ দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

টিম অনিমক্লা অপিবা মতমগী মনুংদা গোল অনি অনি চন্নদুনা মান্ননা লৈবদগী টাইব্রেকনা মেটচ অদুগী লাইবক লেপ্লখি।

সেমি ফাইনেলগী মেটচশিং তাং ৭ অমসুং ৮ দা শান্নগনি।

## অহৌবা মেটচ দ্রো ওইখ্রে

*ইম্ফাল, মে ৪ঃ* ঐখোয়গী ক্লব শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলনা শিন্দুনা ঙসিদগী ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা টিম ১০ না গ্রুপ অনিদা শরুক য়াদুনা অহানবা ও চার্লি মেমোরিয়েল ভেটরান ফাইভ এসাইদ সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৌখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচ ওইনা গ্রুপ বিগী এফ ভি দব্লিউ এ মপাল কাংজেবুং অমদি ভি এস এ এন নক্কুলমপান গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।












Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*